# সন্তোশ ট্রোফি : সুধিরনা চনখিবা গোলগী মতেংনা মণিপুরনা গুজরাটপু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে

মলপ্পুরম, এপ্রিল ২১ (এজেন্সী):

কেরলানা যূম্বু ওইদুনা চথুরিবা ৭৫ শুবা নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর সন্তোশ ট্রোফিগী ঙসি কোট্টাপ্পদি ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ-বিগী মেটচ অমদা সুধির লাইতোঞ্জমনা চনখিবা গোল অমগী মতেংনা মণিপুরনা গুজরাটপু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা মণিপুরগী নুপামচাশিংনা শান্নবা হৌরকপদগী তঞ্জায় অমা মাংলোমদা শান্নখি। শান্নবা হৌরকপগী ২শুবা মিনটতা মণিপুরগী গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা অমা মিদফিল্ডরনা ফজনা খায়রকপা বোল অমা ফোরৱার্দনা ফাবা ঙমহৌদবদগী অরেম্বা তাখি।



মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা গোল চনখিবগী হরাউবা ফোঙদোকপা (ওই), প্লেয়র ওফ দি মেটচ তাখিবা সুধির লাইতোঞ্জম

মখা তানা গুজরাটকী কাউন্টর এটেক অমদা গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা অমা শান্নবগী ১৫ শুবা মিনটতা মিদফিল্ডনা পীরকপা পাস অমা জর্সি নম্বর ৯না গোল ওন্থোকপা ঙমদবদগী অরেম্বা তাখি। মখা তানা টিম অনীগী মায়কৈদা গোল চনশিন্নবা কন্না হোৎনখি। মণিপুরগী মায়কৈদগী গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা অমা শান্নবগী ১৯ শুবা মিনটতা জর্সি নম্বর ১২না শাফূ কন্না কাওশিল্লকখিবা বোল অমা গুজরাটকী গোলকিপর অজমলনা নীংথিনা ঙাকথোক্তুনা অরেম্বা তাহনখি। মখা তাবা অপীবা মতমগী শান্নবদা গোল চনবা ঙম্মদবদগী টিম অনীনা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবা হৌরকপা কুইদ্রিংঙৈ মণিপুরগী শান্নরোয় অনীনা শোর্ট পাস তৌদুনা পুশিল্লকখিবা বোল অমা সুধির লাইতোঞ্জমনা গোল ওন্থোক্তুনা শান্নবগী ৪৮শুবা মিনটতা মণিপুরগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি।

মখা তানা মণিপুরগী কাউন্টর এটেক অমা ঙাকথোক্নবা হোৎনবদা সিধার্থ সুরেশ নায়রনা কাওথোরকখিবা বোল অমা শোয়বদগী মশাগী নেট শোক্তুনা আউন গোল অমা চনশিন্দুনা শান্নবগী ৬৭ শুবা মিনটতা মণিপুরগী মায় পাকপগী ২শুবা গোল চনবা ঙমখি।

লোইশিল্লকপদা মণিপুরগী অহানবা গোল চনখিবা সুরেশ লাইতোঞ্জমনা প্লেয়র ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

পনবায়াবদি, মণিপুরনা থা অসিগী ১৭তা সর্ভিসেসকা শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ৩-০দা মায়থীবা পীখি। অদুগা থা অসিগী ১৯দা শান্নখিবা মেটচ অমদা মণিপুরনা ওড়িষাগী মখূৎতা ০-১দা মায়থীখিবনি।

সাউথ এসিয়ন জিট কুনে-দো চেম্পিয়নশিপ

# ইন্দিয়ানা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন তাখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (ঐচ এন এস):

নেপালগী কোনুং কাথমান্দুদা থা অসিগী ১৭তগী ১৯ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৪শুবা সাউথ এসিয়ন জিট কুনে-দো চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়ানা গোল্ড ১৬ অমদি সিলভর ১ পূন্না মেদল ১৭ ফংদুনা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন তাবা ঙমখ্রে।



চেম্পিয়নশিপ অসিদা কেলনচেনবনা নুপাগী চহী ১৪ মখাগী কেজি ৫১গী কাঙলূপকী এল সী অমদি হেন্দ ফোর্মদা গোল্ড মেদল ২ লৌবা ঙমখি। অদুগা ওক্রম জিবননা চহী ১৯ মথক্কী নুপাগী কেজি ৭৫ কাঙলূপকী এল সী অমদি হেন্দ ফোর্মদা গোল্ড মেদল ২ ফংবা ঙমখি।

অতোপ্পা গোল্ড মেদল ফংলকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি চহী ১৪ মখা নুপাগী কেজি ৪৭কী কাঙলূপ্তা অশ্বিনি খাঙেম্বম; চহী ১৭ মখাগী কেজি ৪৬তা টি ঐচ বোরিস মৈতৈ, কেজি ৪৯ দা লিশম আর্নোল্ড, কেজি ৫২ দা লনচেনবা নোঙথোম্বম অমদি কেজি ৬৪ গী কাঙলুপতা এস থোইনাও অদুগা চহী ১৯ মথক্কী কেজি ৫৫ গী কাঙলুপতা শামোম কেনেদি, কেজি ৫০ গী কাঙলুপতা সী ঐচ নিংথেম, কেজি ৬০ দা সিনাম খ্রাইসি, কেজি ৬৫ দা পি মংলেমজাও, কেজি ৭০ দা চনম বোরিসনি।

নুপীগী চহী ১৭ মখাগী কেজি ৪৬ কী কাঙলুপতা অনুশ্রি রাজ কুমারী, চহী ১৯ মথক্কী কেজি ৭০গী কাঙলুপতা এল গীতাঞ্জলি অমদি চহী ১৬ মখাগী কেজি ৪৮গী কাঙলুপতা সী ঐচ চনচননি।

অতোপ্পা সিলভর মেদল ফংখিবা শান্নরোয় অদুদি চহী ১০ মখাগী কেজি ২৮গী কাঙলূপ্তা সলাম লিংজেলঙম্বনি।

ষ্টেট টিম অসিগী ওফিসল ওইনা ডা. মোইরাংথেম ইবোমচা অমদি এল ইনাওবনা টিম কোচ অমদি মেনেজর ওইনা শরুক য়াখিবনি।

অমরোমদা, ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়ারুবা ষ্টেটকী শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিং ঙসি ইম্ফালদা থুংলখিবগা লোয়ননা য়াম্লবা মীয়াম্না লৈ পরেং হুক্তুনা মখোয়বু ইকাই খুম্নখি।

নীংশিংবা য়াবদি, এল ইনাওবনা লুচিংবা মীওই ১৮না শাবা ইন্দিয়া টিম অসি নেপালগীদমক থা অসিগী ১৫দা ইম্ফাল থাদোকখিবনি।

# নেসনল চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াগদবা সব-জুনিয়র টিম লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (ঐচ এন এস):

গোৱানা যূম্বু ওইদুনা মে ৪দগী ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২ শুবা হোক্কী ইন্দিয়া সব-জুনিয়র মেন্স নেসনল চেম্পিয়নশিপতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌগদবা শান্নরোয়শিংগী মমিং ঙসি হোক্কী মণিপুরনা লাউথোকখ্রে।

খনগৎলবা শান্নরোয়শিং অদুদি এস বাসু, টি ঐচ অভিনাশ, এ এলিশ সাপম, রিভাল্ডো লাইশ্রম, প্রিতম লাইশ্রম, দোন এন জি, এন সুরজ, বিদ্যাচরন, এল মেক্স, দিলিপ কে, ও লম্থোইবা, কে এস ঐচ বোরিশ, এস বোরিশ, সঞ্জিৎ কে, বিক্রম কে, এম বেনর্জিৎ, সেমসন এস অমদি শশিকান্তা সোরাইশমনি।

এম রিনাশ মৈতৈনা ষ্টেট টিম অসিগী কোচ কম মেনেজর ওইনা শরুক য়ারি।

# আই পি এল : চেন্নাই সুপর কিংনা মুম্বাই ইন্দিয়ন্সপু মায়থীবা পীখ্রে

মুম্বাই, এপ্রিল ২১ (এজেন্সী):

ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগকী ঙসি মুম্বাইগী ডা. দি ৱাই পটিল স্পোর্টস একাদেমিদা শান্নখিবা মেটচ অমদা চেন্নাই সুপর কিংসনা মুম্বাই ইন্দিয়ন্সপু ৱিকেট ৩দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা চেন্নাই সুপর কিংসনা টোস ঙমদুনা অহানবা ফিল্ডিং তৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা মুম্বাই ইন্দিয়ন্সনা ওভর ২০দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৫৫ লৌবা ঙমখি।

অহানবা ইন্নিংসতা টিলক বর্মানা আউট ওইদনা বোল ৪৩দা রন ৫১ লৌদুনা টিমগী রন খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা শান্নরোয় ওইবা ঙমখি। সুরিয়া কুমার য়াদবনা বোল ২১দা রন ৩২ অমদি রিথিক শোকিননা বোল ২৫দা চপ মান্নবা রন ২৫ লৌখি।

অহানবা ইন্নিংসকী চেন্নাই সুপর কিংসকী বোলর মুকেশ চৌধুরিনা ওভর ৩ লংবদা ৱিকেট ৩ লৌবা ঙমখি। দি জে ব্রেভোনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ২ অদুগা সেন্তনর অমদি থিকশানানা ৱিকেট অমমম্ লৌবা ঙমখি।

মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা চেন্নাই সুপর কিংসকী বেটসমেনশিংনা অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৭ তুরগা টার্গেট য়ৌদুনা রন ১৫৬ লৌরগা মুম্বাই ইন্দিয়ন্সপু ৱিকেট ৩দা মায়থীবা পীখি।

সুপর কিংসকী বেটসমেন অম্বাতি রায়ুদুনা বোল ৩৫দা রন ৪০, রোবিন উথাপানা বোল ২৫দা রন ৩০ অদুগা ৱিকেট কিপ্পর এম এস ধোনিনা আউট ওইদনা বোল ১৩দা রন ২৮ লৌবা ঙমখি।

২শুবা ইন্নিংসকী বোলিংদা মুম্বাই ইন্দিয়ন্সকী বোলর দেনিএল সেম্সনা ৱিকেট ৪, জেদেভ উনদকটনা ৱিকেট ২ অমদি রিলে মেরিদিথনা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখিবনি।

এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ

# সরিতা মোর অমদি সুস্মা সোকিননা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রে

উলনবাটার, এপ্রিল ২১ (এজেন্সী):

মোঙ্গোলিয়াগী উলনবাটারদা চথুরিবা এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপকী ঙসি হুম্নি চনবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী নুপী রেষ্টলর অনী সরিতা মোর অমদি সুস্মা সোকিননা কেজি ৫৯ অমদি কেজি ৫৫গী কাঙলূপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল অমমম্ লৌবা ঙমখ্রে।



চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়ানা হৌজিক ফাওবদা পূন্না ব্রোঞ্জ মেদল ৭ ফংবা ঙমখ্রে। ইন্দিয়াগী গ্রেকো রোমান রেষ্টলরনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী অহৌবা নুমিৎ অনীদা ব্রোঞ্জ মেদল ৫ ফংখ্রবনি।

দিফেন্দিং চেম্পিয়ন সরিতা মোরনা মহাক্কী ফজবা পর্ফোর্মেন্স পীবা ঙমদ্রবসু ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রে। ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ ২০২১গী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট সরিতানা কেজি ৫৯গী কাঙলূপ্তা রেষ্টলর মঙাগা কম্পিট তৌনখি। মহাক্কী অহানবা বাউট অনী মোঙ্গোলিয়াগী শুভদোর বাটরজব অমদি জপানগী সারা নাটামিগী মখূৎতা মায়থীখি অমদি মহাক্কী লেমহৌরিবা অরোইবা বাউট অনীদা মায় পাল্লকখিবনি।

সরিতানা অহানবদা উজবেকিষ্টানগী দিলফুজা এইমবেটোভাবু টেক্নিকেল সুপরিওরিটিদা মায়থীবা পীখি অদুগা অরোইবা বাউটতা দাইনা কায়ুমোভাবু ৫-২দা মায়থীবা পীখিবনি।

সুস্মানা কেজি ৫৫গী কাঙলূপ্তা রেষ্টলর ৫ থেংনখিবদা অহানবদা জপানগী উমি ইমাইগী মখূৎতা টেক্নিকেল সুপরিওরিটিদা মায়থীখি অদুগা মথংগী বাউটতা কজাখষ্টানগী অল্টিন সগায়েভাবু ৫-১দা মায়থীবা পীখি। মখা তারকপদা মহাক্না উজবেকিষ্টানগী সর্ভিনাস জেনবেভাবু মায়থীবা পীরবা মতুং অরোইবা বাউটতা মোঙ্গোলিয়াগী ওটগোনজরগল গনবাটারগী মখূৎতা মায়থীখিবনি।

অমরোমদা, ইন্দিয়াগী রেষ্টলর মনিশানা কেজি ৫০ কাঙলূপকী ব্রোঞ্জ মেদল মেটচতা উজবেকিষ্টানগী জস্মিনা ইমেভাগী মখূৎতা মায়থীদুনা মেদলগী মঙলান কায়খি। সোনিকা হুদা অমদি সুদেশ কুমারীনা কেজি ৬৮ অমদি কেজি ৭৬কী কাঙলূপ্তা মেদল রাউন্দ য়ৌবা ঙমদনা চেম্পিয়নশিপ অসিদগী মপান থোল্লকখিবনি।

# ইন্দিয়াগী কুং-ফু টিম শেম্নবা ট্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (ঐচ এন এস):

ভুটানগী কোনুং থিমপুদা লৈবা থিমপু ইন্দোর ষ্টেদিয়ম হোলদা চহী অসিগী মে ২৮দগী ৩১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা অনীশুবা সাউথ এসিয়ন কুং-ফু চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়া টিম রিপ্রজেন্ট তৌনবা কুং-ফু শান্নরোয়শিংগী ট্রায়ল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ২৪গী অয়ূক পুং ৮দা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা খা-পোৎশংবম মনিং কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্লগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা তোঙান-তোঙানবা সাউথ এসিয়াগী লৈবাকশিং নেপাল, ভুটান, ইন্দিয়া, বাংলাদেশ, মালদিভস, পাকিস্থান অমদি অফঘানিষ্টানগী টিমশিংনা শরুক য়াগনি। ওল ইন্দিয়া কুং-ফু ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর কুং-ফু ব্রদরহুদ য়ুনিয়ননা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ট্রায়ল সেলেক্সন অসিদা য়াওনিংবা কুং-ফু শান্নরোয়শিংনা মশা-মশাগী আধার কার্দ অমদি ফোটো পাসপোর্টশিং লোয়নরক্কবা ওল মণিপুর কুং-ফু ব্রদরহুদ য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি এস রাজেশ্বরনা খঙহল্লক্লি।

# স্পোর্টস কোচিংগী সর্টিফিকেট কোর্স পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (ঐচ এন এস):

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া অমদি নেটাজি সুভাশ নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টস পটিয়ালা অনীনা শীন্দুনা একাদেমিক সেসন ২০২২-২৩গী ওইনা স্পোর্টস কোচিংগী মতাংদা চয়োল ৬কী ওইবা সর্টিফিকেট কোর্স পাঙথোক্লগনি।

সর্টিফিকেট কোর্স অসিগী ওনলাইন রেজিষ্ট্রেসনগী অরোইবা নুমিৎনা থা অসিগী ২৫নি।

সর্টিফিকেট কোর্স অসিদা শরুক য়ানিংবা মণিপুরগী নুপা অমদি নুপী রোল বোল প্লেয়রশিংনা মোবাইল নম্বর ৯৮৫৬১৮৩৬৮৯ অমদি ৮২৫৯৯৬৬৬৯৩দা পাউ ফাওরক্তুনা অকুপ্পা মরোল খঙলবা য়াগনি হায়না মণিপুর রোল বোল এসোসিএসন (এম আর বি এ)গী জেনরেল সেক্রেটরি এল কুমারনা খূৎয়েক পীদুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# ট্রাও, ইন্দিয়ন এরোজ ঙসি শান্নরগনি

কোলকাটা, এপ্রিল ২১ (এজেন্সী):

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেন্দরেসননা শীন্দুনা চথুরিবা হিরো আই-লীগ ২০২১-২২গী ইন্দিয়ন এরোজকী ফেজ টু জর্নিগী অহানবা মেটচ ট্রাও এফ সীগা থা অসিগী ২২গী নুমিদাং পুং ৮.০৫দা কল্যানি ষ্টেদিয়মদা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়ন এরোজকী গোল কিপ্পিং কোচ অভিজিৎ মোন্দালনা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্কী টিম হয়েংগী মেটচ অসিগীদমক শেম শাবা লোইরে। ঐখোয়না নুমিৎ ১৩নিগী মনুংদা মেটচ ৫ শান্নগদবনা ঐখোয়গী ওইনা য়াম্না অরুবা ফেজনি। ঐখোয়না য়াম্না চেকশিনবা তাই অদুবু ঐখোয়দা কনফিদেন্ট লৈরি হায়খি।


ফোইনিক্স স্কুল

ADMISSION OPEN

FOR THE FOLLOWING COURSES

1. RHYMES TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRE-PRIMARY & PRIMARY PRIVATE SCHOOLS
2. MONTESSORI TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOLS
3. RHYMES & CHILD DEVELOPMENT TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOL TEACHERS & YOUNG MOTHERS
4. ENGLISH GRAMMAR & SPOKEN ENGLISH COURSE FOR ALL
5. COMPUTER COURSE (MS-Office)

**The above courses are job oriented courses for enterprising, independent young women & girls.

FOR DETAILS PLEASE CONTACT : 913857960715 / 8974642764
OR WRITE TO : phoenixrhymeschool@gmail.com

PHOENIX SCHOOL OF TEACHERS TRAINING
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, IMPHAL
HL-B/7616/22/4-20/5 (alt)



SMART
TUTORIAL CENTRE
SINGJAMEI SUPERMARKET
1st POSITION HOLDER HSLC 2019 (BOSEM) BHUMIKA SHAMURAILATPAM
2nd POSITION HOLDER HSLC 2019 (BOSEM) SHOPHIYA ASEM
ADMISSION OPEN
BOSEM/COHSEM/CBSE
SCIENCE, ARTS & COMMERCE
CRASH COURSE FOR NEET 2022
16th FOUNDATION course 2022 for CLASS IX, X, XI & XII
CLASS STARTS: 25 APRIL & 10 MAY 2022
HOSTEL+VAN SERVICE available for both boys & girls
FREE supply of printed questions & answers, weekly exam and MEGA TEST
ALL SUBJECTS
Separeted Classes for BOSEM, COHSEM & CBSE
WEBSITE: https://smarttutorial.org/
CALL: 8730999192, 03857966211
HL-P/1789/28/3-29/4(alt)



S3 COACHING CENTRE
(STEP TO SURE SUCCESS)
NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER
ADMISSION OPEN FOR BOTH CBSE & BOSEM FOUNDATION COURSE
CLASSES: VI to X, XI & XII (Sciences)
Subjects offered are:
For Class VI to VIII – All subjects
For Class IX & X – Maths, Science, Social Science & English (MM as per condition)
For Class XI & XII – Maths, Physics, Chemistry & Biology (Eng. & MM as per condition)
Hurry Limited Seats!!
CLASS COMMENCING SOON UNDER PROPER SOP
Special Features are:
1. Regular Test
2. Perfect Student's help notes and Q & A
3. Well known Guest Facilities
4. Practical teaching method
5. Van Services
6. Hostel for Boys & Girls
Duration of Course
IX & X – 5 Months
XI & XII – 6 Months
Class Timing:
Morning: 5:00 am to 7:30 am
Evening: 4:00 pm to 7:00 pm
* Home Tuition available for classes VI to XII
*Special reference for weak students and 1 month free classes on previous year.
For more details Please Contact: 9089770462 / 9362333195
HL-P/2135/1-30/4 (alt)




APOLLO ACADEMY
Moulding Medical & Engineering Career
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE 2022-23
XI(Sc) & XII(Sc) (CBSE & COHSEM)
SUBJECT:- PHYSICS, CHEMISTRY, BIOLOGY, MATHS, ENGLISH, MEITEI MAYEK, HOME SCIENCE
Form Issue : 20/04/2022
Class Timing : 4:15pm to 7:30 pm
Class Commencement : 07/05/2022
AVAILABLE HOSTEL SEATS FOR BOYS AND GIRLS OF SCHOOL GOERS
FOR DETAILS :- Plz. Contact, Coordinator APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office. (7:00 am - 4:00 pm)
Contact No. - 8258013846
HL-B/7608/20-24



LOAN AVAILABLE
ONE DAY DELIVERY FOR TWO WHEELER
SPECIAL OFFER FOR
CHRISTMAS & NEW YEAR
> INSURANCE(JPA)
> PRESSURE COOKER
> HELMET

L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, H.Q
CONTACT No.:- 8731978490/9774495994
OFFICE HOUR: 10.00AM TO 4.00PM
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING, IMPHAL WEST, MANIPUR
BRANCHES:- ,SAMUROU NEAR MACHU HALL,,THOUBAL BRANCH AT KHANGABOK KM BLOOMING SCHOOL OPP., NAMBOL PHOIJING LAMBAN,MOIRANG PATLOU,KAKCHING IRUM LAMDONG,SEKMAI KOUJENGLEIMA.
HL-B/7613/22/4-20/6


## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 432

Guramishvili,S (2325) - Harutjunyan,G (2504)
Municipality Cup Tbilisi GEO (9), 2009.06.23

1.c4 Nf6 2.Nc3 g6 3.g3 Bg7 4.Bg2 c6
5.e4 O-O 6.Nge2 d6 7.O-O Nbd7 8.d3 a6
9.h3 Ne8 10.Be3 b5 11.Qd2 bxc4 12.dxc4 Ne5
13.b3 Bxh3 14.f4 Bxg2 15.Kxg2 Ng4 16.Bg1 Nef6
17.Rad1 Qc7 18.Qc2 Qb7 19.c5 Rad8 20.Nc1 Rd7
21.Nd3 Rfd8 22.Qe2 h5 23.e5 dxe5 24.fxe5 Nd5
25.Nxd5 Rxd5 26.e6 Bf6 27.Nf4 Rxd1 28.Rxd1 Rxd1
29.Qxd1 Kg7 30.Qc2 Be5 31.exf7 Bxf4 32.gxf4 Qd7
33. ...

**QUESTION :**
White to win

**Puzzle 431 Ans. :**
49. ...Qe6+ 50. Kxg5 Qf6+ 51. Kg4 Rh4+ The black rook attacks White's king, which is defending square g5. 52. Kg3 Qg5#
49. ...Qe6+ 50. Kxg5 Qf6+ 51. Kg4 Rh4+
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com